

# সনালৈবাক স্পোর্টস





য়ু এস দি ২৫০০০ আই টি এফ শিঙ্গল টাইটল ফংবগী হরাওবা ফোংদোক্তুনা ট্রোফীগা লোয়ননা অনকিতা রাইনা

বনলিগা ২–২দা ড্রো চৎখিবদগী চেলসি টিমগা পোইন্ট লাপথোক্লরকপদা নুংনাংলীবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিং

## কোচ তেরিৱালসকী মতুং রিও ওলিম্পিকক্সতা ইন্দিয়ান হোক্কীগী অনৌবা মাইওন



**নিউ দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ঃ** চহি ২৬ চুপ্পা মেদলগী ইকং থোক্লুরবা ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা এসিয়ান গেমস্তা গোল মেদল ফংলবা মতুং ২০১৬গী রিও ওলেম্পিকক্সতা দাইরেক টিকেট ফংদুনা শান্নবা য়াওগদৌরি । কোচ টেরি ৱালসনা চহি অসিগী ওইনা ইন্দিয়ান হোকি টিমবু লুচিংলকখিবদা য়াম্না মায় পাকখিদ্রবসু ইন্দিয়াগী হোকি টিমগী ওইনদি ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইবসিমক য়াম্না কা হেন্না মশক থোক্লুবা তাঞ্জা ওইরিবনি ।

মমাংদা ওলেম্পিককী গোল মেদল নিপাল্লক ফংখ্রবা ইন্দিয়ানা মতম অদুগী হোকি টিমগী মিংচৎ অদু অমুক হন্না পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসে য়াম্না লাপ্পা লৈখ্রবা খোংফম হাইবদু ওইরি । অদুমকপু ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমস্তা মায় পাকখিবা অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াবু ইতিহাসিক ওইরবা টেষ্ট সেরিজদা মখোয়মক্কী মরমদমদা ৩–১দা মায়থিবা পীখিবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ান হোকি টিমগী মোরেল য়াম্না ৱাংলি । কোচ টেরি ৱাল্সনা ইন্দিয়াগী সেনিয়র হোকি টিম্বু লৈবাক নিপান্না শান্নবা হোকি ৱার্ল্ড লিগতা য়াম্না নেম্বা ৬ শুবা পোজিসন্দগী হেঙ্গৎনা থনম্বা ঙমখিদে । সরদার সিংহনা লুচিংদুনা শান্নরিবা ইন্দিয়ান টিম্না টেরি ৱালসকী কোচিং মেথদতু চুশিন্নন্বা ঙমদবনা লিগ অদুদা ইন্দিয়ান টিম্না পোজিসন খুদিংদা কাং খোং চাইদুনা শুপ্নগী ওলেম্পিক্স চেম্পিয়ন জর্মানিবু ৫–৪দা থোইখিবা অদু নত্তুনা অতৈ মেটশিংদি শাথীনা নীংবা কাইখি । ইন্দিয়াগী শীংথানিংঙাই ওইবা মেটচতি কম্মনৱেলঠ গেমস সেমি ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা মেটচতা গোল অনি শোত্থনা লৈরম্বা ইন্দিয়ান টিম্না নিংথীনা শান্নরক্তুনা হেন্না গোল মথং মথং চন্সিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীখিবদুদা ওইরি। অদুবু ফাইনেল মেটচতদি ওষ্ট্রেলিয়া টিম্না মায়থিবা পীরমদুনা অনিশুবা তাহৌখি । টিম কোচ ৱালসকী লুচিং মখাদা ইন্দিয়ানা মতম কুইনা মেদলগী ইকং থোক্লুরবা হোকিগী গোল অমদি এসিয়ান গেমসতা লৌদুনা টিম হোকিদা আশাগী ময়োল চোংহনখি । য়ুম্বু ওইরিবা সাউথ কোরিয়াবু সেমি ফাইনেলদা থোইদুনা ফাইনেলদা তমথীরবা রাইভেল পাকিস্টান টিম্বু মায়থিবা পীদুনা ১৯৯৮গী মতুংদা হোকিগী গোল্ড ওইখিবনি । মদুগী মতুংদা কোচ ৱালসনা মাগী তলব হেঙ্গৎনবা, দিসিজন মেকিংদা মহাকপু হেন্না পৱার পিনবা লোয়ননা প্লেয়ার সেলেক্সন্দা মাগী অহেনবা শাক্তি পীবিনবগী ৱাকৎ কয়া সাই অমদি স্পোর্ট মিনিষ্টরনা য়াখিদবগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু নিংথিনা তাকপী তম্বীনিংলবসু কোচ টেরিনা পিখিবা রিজিকনেসন অদু অয়াবা পীখি ।

কোচ ৱালসনা চৎখ্রবদা হাই পার্ফোমেন্স ডাইরেক্টর রোইলান্ট স্নলল্টমসপু এদিস্লেন চার্জ পীদুনা মতম খরগী ওইনা হাংলবা কোচকী ফম পুরি ।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী চহি ২১ মখাগী প্লেয়ারশিংনা মায়পাক্লা সুলটান ওফ জোহোর কপ টাইটল অমুক্কসু কন্বা ঙমদুনা হোকি পামজবশিংবু নুংঙাইহল্লি ।

## দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা চেম্প খাগেমপল্লি ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ লুৱাংশংবমদা মণিপুর ভেটরন ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ১২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪–১৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে । মেন ওফ দি মেটচনা দি এস য়ুগী বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ৩ লৌরগা তাখি।

মেটচ অসি দি এস য়ু তোস ঙম্লগা হান্না ফিল্ডিং খনখি । চেম্পনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৯.১দা ওল আউত ওইরগা রন ১৪০ লৌখি । ইন্নিংস অদুদা ইবোবিনা বোল ৪৪দা রন ৩৩, কাংজাম্বনা বোল ৩১দা রন ২৮ অমদি ইতাউনা বোল ২৬তা রন ১৬ লৌখি।

দি এস য়ুগী বোল্লর বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ৩, দেবদত্তনা ৱিকেট ২, জোতিন অমদি জিম্না ৱিকেট অমমম লৌখি । দি এস য়ু অনিশুবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অমরজিৎনা বোল ৫০ রন ৩৬, কুমারজিৎনা বোল ২০দা রন ২৫ অমদি সুরজিৎনা বোল ২২দা রন ২৩ লৌখি । চেম্পকি বোল্লর দেবিদনা ৱিকেট ২, ইবোবি অমদি তোমথাংনা ৱিকেট অমমম লৌখি ।

হয়েং য়ু সি সি উরিপোক্কা আই দব্লিয়ু ভি সি এ ইম্ফালদা শান্নগনি ।

## ইষ্টর্ন ইন্দিয়াগী বোদি বিল্ডিংগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোইশিং লাওথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** অসামগী সিবসগরদা মথং চহিগী জানুৱারী ১৬তগী ১৮ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং অমদি ৫শুবা ৱুমেন ফিটনেস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডর অমদি ৱুমেন ফিটনেসকী শান্নরোইশিংগী মিং ওল মণিপুর বোলি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েন্না লাওথোকখ্রে ।

খল্লবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি কেজি ৫৫গীদা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংগী মাইবম অগ্নিকুমার, কৈশাম লোথার, স্লোপলেন্দ জিম খোংজোমগী শগোলশেম সুসিলকুমার, কেজি ৬০গীদা ৱাই বি বি সি জিম য়ুরেম্বমগী থাংজম রোসন সিংহ, ৱাই পি আই এস এম জিম উরিপোক্কী দব্লিয়ু বিনোদকুমার, প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খেগী এল গোপেশ্বর, কেজি ৬৫গীদা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংগী এল রত্নসগর, ৱাই পি আই এস এম জিম উরিপোক্কী এন রোবিন্দ্রো, কেজি ৭০গীদা সুপর জিম খুরাইগী এল মালেমঙন্বা, ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংগী ঐচ জোন্সন মৈতৈ, কেজি ৭৫গীদা ৱাই বি বি জিমগী কে ঐচ দিনেস, ৱাই পি আই ঐচ এম জিমগী কে ঐচ ভুমেশ্বর, কে বি বি তি সি ককচিংগী কে চক্রবর্তি, বি বি সি ৱাঙ্খেগী এ মালেমঙান্বা, কেজি ৭৫ মথক্কীদা ৱাই বি বি জিমগী আই দেব অমদি অসাম রাইফল জিমগী এম মনোরঞ্জন্নি ।

ৱুমেন ফিটনেসকী খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি ১৬০ সেন্টিমিটরগীদা ৱাই পি আই এস এম জিম উরিপোক্কী এল রোলিনা অমদি ৱার্ল্ড জিম মোইরাংখোমগী এ দাইনানি ।

## নোর্থ ইষ্ট ওপন মর্সেল আর্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুর মেদল ৬ লৌরক্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** নবারুন বিদ্যলয়া, লমদিং নগাউন দিষ্ট্রিক্ট অসামদা মন্সুরিয়া কোংফু স্কুলনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবা পাংথোকখিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওল ষ্টাইল মার্সেল আর্ট চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪দা মণিপুর টিমনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ য়াওনা মেদল ৬ লৌরক্লে ।

ইম্ফাল রিভর মার্সেল আর্ট একাদেমীগী শান্নরোই ৯না শরুক য়াখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শান্নরোই ৬ না মেদল লৌরকখি হায়না স্পোর্ট কারাটে দো এসোসিয়েসন মণিপুরগী সেক্রেটরি সি ঐচ প্রেচন্দ্রা সিংহনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি ।

মেদল লৌরকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪০ মখাগীদা এমদি জবির (ধর্মেন) না গোল্ড, এমদি সহবজনা সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪৫ মখাগীদা সিলভর, সেনিয়র বোইজকী কেজি ৫৫গীদা এল অরুন সিংহনা সিলভপ, সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৪৫ মখাগীদা এমদি নৱাজ সরিবনা ব্রোঞ্জ, সোনিয়র কেজি ৫০ মখাগীদা টি বোইজা সিংহনা ব্রোঞ্জ অমদি জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫৫গীদা এমদি নৱাজ খান্না ব্রোঞ্জ ।

মেদল ফংহৌখিবা শান্নরোই ৩ অদুদি সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৫গীদা এমজি ফরুক সহা, জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৫ মখাগীদা কে ঐচ রোমেস মৈতৈ অমদি কেজি ৬০ মখাগীদা এমদি অলতব সুইহেননি ।

টিম কোচ অমদি মেনেজরনা সি ঐচ প্রেচন্দ্রা অমদি মুতুম পাইখোম্বনা ওইখি ।

## ষ্টেট লেভেল লঙ্গরি চেম্পিয়ন্সিপ

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** খাংঙবোক মাইস্নম লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙরংদগী হৌদুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র দব্লিয়ু খেরো মৈতৈ মেমোরিএল বোইজ এন্দ গালর্স অমসুং অনিশুবা সেনিয়র নিংথৌজম লাকপা সিংহ অমদি হিজম অমুতোম্বী দেবী মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল লঙ্গরি চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র গালসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা পি দি এ অৱাং সেকমাইনা আর ৱাই সি কৈবিবু পোইন্ট ২৯ – ২৬তা এ এস এ অথোকপম্লা রেদো খাঙবোকপা পোইন্ট ৩১–১৫দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখ্রে । ফাইনেল মেটচ হয়েং শান্নগনি । সেনিয়র মেন্সকী শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা রেদো খাঙবোক্লা ৱাই এস সি খুরাইবু পোইন্ট ৩৮–১৮দা পি দি এ অৱাং সেকমাইনা আর ৱাই সি কৈবিবু ২৯–২৬দা আর ৱাই সিনা ই কে এস এ সুগনুবু ৪২–৩৭দা অমদি পি দি এনা রেদোবু ২২–১৭দা মায়থিবা পীখ্রে ।

## ডা. কন্তি হোক্কি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** ডা. কন্তি মুখর্জি মেমোরিএল ট্রাষ্ট লিমিটেদনা স্পোন্টর তৌরগা হোকি মণিপুরনা শিন্দুনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৫দগী খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা ১৫ রকশুবা ডা. কন্তি মুখর্জি মেমোরিএল ইনভিটেসন হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৪–১৫ হৌরগনি হায়রি । টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা অকুপ্পা মরোল হোক্কি মণিপুরদগী খংলবা য়াগনি হায়না সেক্রেটরি চেলো অমনা ঙংহলক্লি ।

## স্কুল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ঃ** গৱাদা মথং চহিগী জানুৱারী ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ৪ শুবা নেসনেল স্কুল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫গী তোঙান তোঙানবা এজ গ্রুপশিংদা শরুক য়ানিংবা চেছ শান্নরোই অমদি অহল লমনশিংনা জানুৱারী ২ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল মণিপুর চেছ এসোসিসেনগী সেক্রেটরি আর কে সনাজাওবা সিংহদগী খংলবা য়াগনি হায়রি ।


# F.i tutorial for CBSE

For Acheiving Excellence in CBSE

Keishampat Hodam Leirak, opp. Tiddim oil pump.

**ADMISSION OPEN**

*Compact and Exam preparatory Revision Course ---- for Class-XII CBSE*

*Class commencing from 17th NOV, 2014*

*Last date of Admission --10th NOV.2014*

- *Chapterwise analysis for every subjects.*
- *Analysis of CBSE Questions pattern.*
- *Highly suggested study materials for Exam.*
- *Analysis of probable question for the forth coming Exam.*
- *Analysis of impovement of weaker students.*

*Class timing: 4.30 p.m to 7.40 p.m.*

*Subject: All*

Hostel & Transport Facilities available

*For details please contact office- 1 p.m to 8.00 p.m or # 8575317894 &9856941992 (Sunday Open)*

# DIRECT ADMISSION : 2015-2016

'NO DONATION' 'LESS FEES' AND 'EASY INSTALLMENT'
Reputed Colleges in India

MEDICAL :
* MBBS ( Starting 20 L . + fees)
* BDS-5 Seats Only (7 L-10 L packages)
* MDS (Depend on Colleges)

* **B.Sc. Nursing,** (40,000 per yr.), **GNM** (20,000 per yr.)
* **M.Sc. Nursing** (80,000 per yr.) **Physiotherapy, MLT, Pharmacy, Homeopathy etc.**
* **B.E.: Civil, Mechanical, Computer Science, ECE, EEE Etc.** (30,000 - 50,000 per Sem)

**Other Courses : MBA, MCA, MSc.** (All branches)
**BBA, BCA, B.Sc.** (All branches)

☆ **Admission Form Will Be Available During Office Hour**
6:00 a.m. to 6:00 p.m.
Sunday : 8:00 a.m. to 4:00 p.m.

*PLEASE VISIT*
**CAREER SOLUTION**
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST
MAHABALI ROAD, NEAR BOAT
CONTACT NO. 8730910588 / 9856576059

# I.P.S. CANCHIPUR

(Govt. Recognised and Affiliated to BOSEM & COHSEM)
ADMISSION OPENS FOR 2015
FROM PRE - NURSERY TO IX
(BOTH SCHOOL AND BOARDING)
AWARDED FOR BEST SCHOOL & BOARDING

**EMPLOYMENT NEWS**

| Sl. Nos. | Name of Posts | Salary | No. of Posts | Qualifications |
|---|---|---|---|---|
| 1. | TEACHER CUM WARDEN | 10,000 /- - 12,000 /- | 03 | Graduate/P.G. in English, Maths, Science. |
| 2. | TEACHER CUM WARDEN | 10,000 /- - 12,000 /- | 03 | Graduate/P.G. in Manipuri, Hindi, Social Science |
| 3. | TEACHER CUM WARDEN | 8,000 /- - 10,000 /- | 02 | Graduate/P.G. in Computer, Physics, Chemistry |
| 4. | BOARDING MOTHERS | 5,000 /- - 7,000 /- | 04 | VIII Passed |
| 5. | BOARDING SECURITY | 4,500 /- - 7,000 /- | 06 | VIII Passed (2 Females and 4 Males) |
| 6. | BOARDING NURSE | 6,000 /- - 9,000 /- | 02 | ANM / GNM (1 Male & 1 Female) |
| 7. | BOARDING DRIVERS & COOKS | 6,000 /- - 9,000 /- | 06 | VIII Passed (3 Drivers & 3 Cooks) |
| 8. | PRIMARY TEACHERS CUM WARDEN | 7,000 /- - 12,000 /- | 06 | Graduate who can teach all Subjects |
| 9. | CHOWKIDAR (COUPLE) | 7,000 /- - 9,000 /- | 02 | Experienced |
| 10. | WOOD CUTTER CUM GARDENERS | 4,500 /- - 7,000 /- | 02 | Experienced |
| 11. | COACHES | Negotiable | 04 | Any Graduate/P.G. (Football, Fencing, Boxing & Wusu) |
| 12. | INSTRUCTORS | Negotiable | 02 | Any Graduate/P.G. (Song, Instrumentalist, Theatre & Dance) |

# WALK IN INTERVIEW

**AT G & G JOB INFORMATION CENTRE**
**Head Office : Uripok Near Hindu Hotel**

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | L.D.C of Bank | 3 | XIII | 5,000/- |
| 2. | Junior Officer (J.O) | 30 | X/XII | 5,000/- |
| 3. | Recovery Officer (R.O.) | 7 | X/XII | 5,000/- |
| 4. | Area Manager | 4 | XII/Grad. | 7,000/- |
| 5. | Branch Manager | 4 | Grad. | 7,000/- |
| 6. | Accountant | 2 | Grad. | 5,000/- |
| 7. | Computer Operator | 5 | XII | 5,000/- |
| 8. | Banking Staff | 10 | XII | 10,000/- |
| 9. | Medical Representative | 6 | XII | 7,000/- |
| 10. | Sales Officers | 10 | X/XII | 5,000/- |
| 11. | Security Guard (M/F) | 15 | VIII/X | 4,500/- |
| 12. | Driver | 8 | VIII/X | 5,000/- |
| 13. | Reception | 4 | XII | 4,000/- |
| 14. | Home Job (Office/Home) | 15 | XII | 5,000/- |
| 15. | Women for Beauty Parlour | 4 | X/XII | 4,000/- |
| 16. | Mother for Private School | 4 | VIII/X | 4,000/- |
| 17. | Teacher (Eng./Maths/Sc./S.Sc) | 6 | Grad./M.A. | Negotiable |
| 18. | Asst. Manager | 4 | Grad. with Com. klgde. | 3,500-7,000/- |

AIRLINES POST VACANCIES AT IGI AIRPORT COMPANY :

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | 30 | VIII /X | 10,000-20,000 |
| 2. | Airport Trolley/Loader | 25 | X/XII | 8,000-15,000 |
| 3. | VIP Launce Staff | 25 | XII/Grad. | 14,000-25,000 |
| 4. | Retail Vuddies (C.S.A) | 20 | XII/Grad. | 8,000-20,000 |
| 5. | Air Hostess/Air Cabin ATT | 30 | XII | 35,000-1 lakh |
| 6. | Ground Handling C.S.A. | 20 | XII/Grad. | 14,000-25,000 |

*** *Last date of form submission 14th January, 2015*
*Date of Interview 15th January. 2015*

**Please come and visit during office hour 10.00 a.m. to 3.30 p.m.**